

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, MONDAY, OCTOBER 30, 2017 **PAGE 7**


*ইটালিগী সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ঙরাং এসি মিলানগা শান্নবদা লীগ অদুগী ১০০ রক শুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখ্রবা জুবেন্টসকী শান্নরোই গোঞ্জালো হিগ্বান*

*ন্যু জিলেন্দগা শান্নবদা রন ১১৩ লৌদুনা ৰান দে ইন্টরনেসনেল ক্রিকেটতা রন ৯০০০ খ্বাইদগী য়াংনা য়ৌদুনা ১৯শুবা বেটসমেন ওইরিবা ইন্দিয়া ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি*

## ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ অমসুং চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং য়োনেক্স বেদমিন্টন ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখ্রে



*নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী স্রিকান্থ অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবী চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং*

*পেরিস, ওক্টোবর ২৯ঃ*

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরকপা য়োনেক্স বেদমিন্টন ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থনা জপানগী কেন্টা নিসিমোটোবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। অদুগা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনাং জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

পনবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা ৮শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ঐচ এস প্রনোইবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৪–২১, ২১–১৯, ২১–১৮ দা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা জপানগী কেন্টা নিসিমোটোনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা দেনমার্ককী এন্দর্স এন্টোন্সেনবু ২১–১৭, ২১–১৫ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ অমসুং জপানগী কেন্টা নিসিমোটোনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই স্রিকান্থকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনা শান্নরকপদগী জপানগী নিসিমোটোবু নমথদুনা ২১–১৪ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থনা অনীশুবা গেম অদুদসু মহাক্কী লম্বা ওইখিবা জপানগী কেন্টা নিসিমোটোবু য়াম্না ফজনা মায়োক্নদুনা শান্নবা ঙমখিবদগী অনীশুবা গেম অদুদনা হেন্না ফজরক্তুনা ২১–১৩ দা থোইদুনা য়োনেক্স বেদমিন্টন ফ্রেঞ্চ ওপন অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ ওইরিবী জপানগী অকানে য়ামগুচিগা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম অদু য়াম্না লাকচনা হেন্দুনাজপানগী শান্নরোই অদুনা শুপ্পগী পোইন্ট ৪ খক লৌবদা ঙাইরিঙৈদা টাই ঝুনা পোইন্ট ২১ য়ৌখিদুনা অহানবা গেম অদু মহাক্না থোইখি।

অনীশুবা গেমদা য়ামাগুচিগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরকপদগী চাইনিজ তাইপৈগী মায়কৈদগী মান্ননবা লাক্নরকখিবা অদু গেম অদুগী ময়াই চনশিল্লকপদা লাকশিনবা ঙমদুনা অকানে য়ামাগুচিবু ২১–১৬ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

য়োনেক্স বেদমিন্টন ফ্রেঞ্চ ওপন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র গ্রেসিয়া পোলি অমদি অপ্রিয়ানি রাহায়ুনা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র লি সো হি অমসুং সিন সিয়ুং চানবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

অহানবা গেম অদু ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র অদুনা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র অদুবু হৌরকপদা লম্বা মান্নরম্লবা মতুং লোইশিল্লকপদা ২১–১৭ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র অদুনা অনীশুবা গেম অদুদা হেন্না ফজরক্তুনা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র অদুবু ২১–১৫ দা থোইদুনা নুপীগী দবলসকী টাইটল অদু লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী টোন্টৱি অহমদ অমদি লিলিয়ানা নাটসিরনা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনাগী পেয়র ছেং সিৱৈ অমসুং চেন কিংচেনবু ২২–২০, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

## সুল্টান ওফ জোহোর কপ হোক্কি টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা ওইখ্রে, ইন্দিয়ানা মালেসিয়া মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে



*সুল্টান ওফ জোহোর কপ হোক্কিগী টাইটল ফংখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিং*

*জোহোর বারু, ওক্টোবর ২৯ঃ*

মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি জোহোর বারুদা থা অসিগী ২২ দগী চথরকপা সুল্টান ওফ জোহোর কপ হোক্কি টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়ানা গ্রেট বৃটেনবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে। ইন্দিয়ানা য়ুম্বু মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৪–০ দা থোইদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং গ্রেট বৃটেননা শান্নখিবা সুল্টান ওফ জোহোর কপ হোক্কি টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেটচ অদু হৌরকপদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নবা ঙমখি।

শান্নবগী অহানবা ক্বার্টরগী ৪শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। মদুগী খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোই রিন্টালা জেইলনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা গ্রেট বৃটেনবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টর শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদনা অহানবা হাল্ফ শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী পাঞ্জল অদুনা গ্রেট বৃটেনবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লোইশিনখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নরকপদা পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক মখা চথরকখি। শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী নাথান ইফ্রামসনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়ানা গ্রেট বৃটেনবু অহুমশুবা ক্বার্টর লোইশিল্লবা ফাওবা পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদবা অমদি গ্রেট বৃটেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা গ্রেট বৃটেনবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা সুল্টান ওফ জোহোর কপ হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

সুল্টান ওফ জোহোর কপ হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা অমদি মরিশুবা পোজিসনগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী পাঞ্জল মরি অদু শান্নবগী অহানবা ক্বার্টর অমসুং অনীশুবা ক্বার্টরদা চনখিবা ঙাক্তনি। অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১১ শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরিবা ভিভেক প্রসাদনা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী ভিসাল অন্টিলনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অনীশুবা ক্বার্টরগী ২১শুবা মিনটতা সিলানান্দ লাক্রানা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা হাপচিনবা ঙমখি।

অনীশুবা ক্বার্টর অদুগী ২৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মেটচকী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা ভিসাল অন্টিলনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা য়ুম্বু মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

## দব্লিয়ুটিএ ফাইনেলসকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল দেনমার্ককী কেরোলাইন ৱোজনিয়াকিনা লৌখ্রে, দবলসকী টাইটলনা হঙ্গেরিগী বাবোস অমদি জেককী লাভাকোভানা ফংখ্রে



*দব্লিয়ুটিএ ফাইনেলসকী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবী দেনমার্ককী ৱোজনিয়াকি*

*কালাং, ওক্টোবর ২৯ঃ*

সিঙ্গাপোরগী সিটি কালাংদা থা অসিগী ২২ দগী চথরকপা দব্লিয়ুটিএ ফাইনেলসকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু দেনমার্ককী কেরোলাইন ৱোজনিয়াকিনা য়ুএসএগী ভেনস ৱিলিয়মস মায়থিবা পীদুনা লৌখ্রে। দবলসকী টাইটল অদুনা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমদি জেক রিপব্লিক্কী এন্দ্রিয়া লাভাকোভানা ফংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অদুদা ৬শুবা সিদেদ দেনমার্ককী কেরোলাইন ৱোজনিয়াকিনা ৫শুবা সিদেদ য়ুএসএগী ভেনস ৱিলিয়মসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা দেনমার্ককী ৱোজনিয়াকিনা অনীশুবা সেট অদুদসু মহাক্কী ফজবা মশান্না অদু মখা তানা শান্নবা ঙমখিবদগী ৬–৪ দা থোইদুনা দব্লিয়ুটিএ ফাইনেলসকী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমদি জেক রিপব্লিক্কী এন্দ্রিয়া লভাকোভানা ৮শুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্স অমদি স্বিদেনগী জোহানা লার্সনবু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

অহানবা সেট অদুদা হঙ্গেরি অমসুং জেক রিপব্লিক্কী পেয়র অদুদা নেদরলেন্দস অমদি স্বিদেনগী পেয়র অদুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোৎখরবা নেদরলেন্দস অমসুং স্বিদেনগী পেয়র অদুদা অনীশুবা সেট অদু বাবোস অমদি লাভাকোভাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা পেয়র অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমদি জেক রিপব্লিক্কী এন্দ্রিয়া লাভাকোভানা ফজবা খরা হেনখিবদগী নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্স অমসুং স্বিদেনগী জোহানা লার্সবু ১০–৫ দা থোইদুনা নুপীগী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

## ইর্ষ্টে বেঙ্ক ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফ্রান্সকী লুকাস পোলিনা লৌখ্রে দবলসকী টাইটল ইন্দিয়াগী বোপানা অমসুং উরুগ্বেগী কিবাসনা ফংখ্রে



*ইর্ষ্টে বেঙ্ক ওপনগী দবলস টাইটল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী বোপানা অমসুং উরুগ্বেগী কিবাস*

*ভিএনা, ওক্টোবর ২৯ঃ*

ওষ্ট্রিয়াগী সিটি ভিএনাদা পাঙথোকপা ইর্ষ্টে বেঙ্ক ওপন নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ফ্রান্সকী শান্নরোই অনীগী লম্বাদা লুকাস পোলিনা মায় পাক্তুনা টাইটল ফংখ্রে। অমরোমদা দবলসকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং উরুগ্বেগী পাব্লো কিবাস অনীগী পেয়রনা ব্রাজিল অমসুং য়ুএসএগী পেয়রবু থোইরগা টাইটল লৌখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল অদুদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ফ্রান্সকী জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গাবু লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোই লুকাস পোলিনা য়াম্না কোম্না অহানবা সেট অদুদা সোঙ্গাগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬–১ দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতা সোঙ্গাগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরক্তুনা পোলিবু থোইননা হোৎনরকপদা য়াম্না মতাং চানা পোলিনা সোঙ্গাগী সাভির্স গেম অমা ব্রেক তৌদুনা অনীশুবা সেট অদুসু ৬–৪ দা থোইরগা ইর্ষ্টে বেঙ্ক ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিমক্কী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং উরুগ্বেগী পাব্লো কিবাস অনীগী পেয়রনা ব্রাজিলগী মার্সেলো দেমোলিনর অমসুং য়ুএসএগী সাম ক্বেরিগী পেয়রগা ফাইনেল মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা অকনবা লম্বা তৌনখি।

অহানবা সেট অদুদা মায়কৈ অমনা অমগী সার্ভিস ব্রেক তৌনবা ঙম্নদবদগী গেম ১২ লোইশিল্লকপদা গেম ৬–৬ থোইনদুনা টাই ব্রেক শান্নখি। টাই ব্রেক অদুদসু য়াম্না ইন্নদুনা লাকখ্রবা মতুং ব্রাজিল অমসুং য়ুএসএগী পেয়র অদুবু বোপানা অমসুং কিবাসনা ৭–৫ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুসু য়াম্না নক্নুনা লম্বা তৌনখিবা মশান্নদা অহানবা সেটকুম্না গেম ১২ লোইশিল্লবা ফাওবদা গেম ৬–৬ মান্নদুনালৈখিবা অদুনা মরম ওইরগা অমুক হন্না টাই ব্রেক শান্নখি। মদুদা ব্রাজিলগী দেমোলিনর অমসুং য়ুএসএগী ক্বেরিনা পোইন্ট ৭–৪ দা থোইদুনা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুদা পেয়র অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং উরুগ্বেগী পাব্লো কিবাসকী পেয়র অদুনা ব্রাজিলগী মার্সেলো দেমোলিনর অমসুং য়ুএসএগী সাম ক্বেরিবু ১১–৯ দা থোইদুনা নুপাগী দবলসকী টাইটল অদু মখোয়না ফংখি।

## ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু রন ৬ তা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ২–১ দা লৌখ্রে



*ন্যু জিলেন্দবু রন ৬ তা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

*কানপুর, ওক্টোবর ২৯ঃ*

ইন্দিয়াগী উত্তর প্রদেশকী সিটি কানপুরদা লৈবা গ্রিন পার্ক ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ন্যু জিলেন্দ অমসুং লৈবাক অসিগী অহুমশুবা ৱান দে মেটচ অদু রন ৬ তা ইন্দিয়ানা থোইদুনা সেরিজ অদু মেটচ ২–১ দা হেল্লগা লৌখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস ন্যু জিলেন্দগী কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসননা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা বেট্টিং তৌরকপদা অপুনবা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৬ খক তুরগা রন ৩৩৭ লৌখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস রোহিট শর্ম্মা অমসুং সিখর ধৱননা হৌদোরকখি। অদুবু শান্নবগী ৭শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা সিখর ধৱন রন ১৪ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। ধৱনগী মহুৎ কেপ্টেন ভিরাট কোলিনা শিল্লকখি। মহাক্কা রোহিট শর্ম্মাগনা অনীশুবা বেট্টিংগী পার্টনর্সিপ্তা বোলদগী রননা হেন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

মখোয় অনীনা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদু ওভর ৩৫ শান্নদুনা হান্না লৈরম্বা রন ২৯ দগী মখা তানা রন ২৩০ হাপচিল্লগা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু পুন্না ২৫৯ লৈখি।

ওপনর রোহিট শর্ম্মা ইন্নিংসকী ৪২শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা বোল ১৩৮ মায়োক্নরগা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১৮ য়ৈরম্বগা লোয়ননা রন ১৪৭ তা আওট ওইখি।

হর্দিক পান্দিয়ানা মহাক্কী মহুৎ শিনখি। মহাক ক্রিজদা কুইনা লৈবা ঙমখিদে। মশাগী রন ৮ শুরকপদা পান্দিয়া আওট ওইখি। হান্না ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরম্বা মহেন্দ্র সিংহ ধোনি মঙাশুবা বেটসমেন ওইনা শান্নবা চঙলকখি। মহাক্কা ভিরাট কোলিগনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু রন ৩০০ লাম্থোকহনখি।

অপুনবা স্কোর ৩০২ য়ৌরকপদা ভিরাট কোলি রন ১১৩ দা আওট ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা বোল ১০৬ মায়োক্নবদা সিক্স ১ গা ফোর ৯ য়ৈরমখি। লেমহৌবা ওভর ৩ গা বোল ২ দা মখা তারকপা ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিংনা রন ৩৫ হাপচিল্লগা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৩৩৭ তা লোইশিনখি।

মেটচ অদু মায় পাক্নবা ন্যু জিলেন্দনা রন ৩৩৮ গী টার্গেট অদু য়ৌননবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী বেটনমেন ৭ আওট ওইরগা ওভর ৫০ দা রন ৩৩১ খক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ৬ তা থোইখিবনি।

টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা বেটসমেন অদু কোলিন মোনরোনা রন ৭৫ লৌরম্বা অদুনা ওইখি। মহাকপু চাউনা মতেং পাংখিবা অতোপ্পা বেটচমেনশিং অদুদি রন ৬৪ লৌরম্বাকেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসন, রন ৬৫ লৌরম্বা টোম লেথম অমদি রন ৩৯ অমসুং ৩৭ লৌরম্বা রোজ টেলর অমসুং নিকোলসনি।

## ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম ৱার্ল্ড কপকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৯ঃ*

জপানদা পাঙথোক্লিবা এসিয়া কপ ৱুমেন্স হোক্কি টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম লন্দনদা কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ হোক্কি টুর্নামেন্টকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে।

নীংশিংবা য়াই চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা সাউথ অফ্রিকানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি জোহেন্সবর্গতা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড হোক্কি লীগ সেমি ফাইনেলসতা ৮শুবা পোজিসন তাদুনা ৱার্ল্ড কপকী ক্বালিফাই ওইননবা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা শান্নবগী ফল য়েংলগা লাইবক লেপকদবনি।

সাউথ অফ্রিকানা অফ্রিকা কপ ওফ নেন্সন ৱুমেন্স হোক্কি টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংখিবদগী ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অসি মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিগী কোচ ওইরিবা হরেন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখিবদা জপানদা হৌজিক চথরিবা এসিয়া কপ অসিগী টাইটল লৌবাঙম্লবদি এসিয়াগী চেম্পিয়ন ওইরগা য়াম্না চিং–লেম্না লন্দনগী ৱার্ল্ড কপ অদুগীদমক ক্বালিফাই ওইরমগদবনি। অদুবু সাউথ অফ্রিকানা অফ্রিকা কন্টিনেন্টকী টাইটল ফংখিবদগী চৎন–পথাপকী মতুংইন্না পোজিসন অমা হাংলকপা অদু ইন্দিয়ানা ফংদুনা ২০১৮ গী লন্দন ৱার্ল্ড কপকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

## সিব থাপ্পা অমসুং মনোজ কুমার নেসনেল বোক্সিংগী ফাইনেল য়ৌখ্রে

*ভিসাখাপত্নম, ওক্টোবর ২৯ঃ*

অন্ধ্র প্রদেশকী ভিসাখাপত্নমদা চথরিবা ইন্দিয়াগী নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মমিং লৈরবা বোক্সর সিব থাপ্পা অমসুং মনোজ কুমার মখোয়–মখোয়গী ৱেথ কেটেগোরিশিং অদুগী সেমি ফাইনেল বাওটশিং মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

কেজি ৬০ গী বাওটতা এসিয়ান চেম্পিয়ন অহুম্লক ওইবা ঙম্লবা অদুগা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকীসু ব্রোঞ্জ অমা ফংবা ঙমখ্রবা সিব থাপ্পা ঙসি দিল্লিগী বোক্সর বন্টি সিংহবু য়াম্না হেন্দুনা পোইন্ট ৫–০ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

থাপ্পানা হয়েং ফাইনেলদা সার্ভিসেসকী বোক্সর মনিস কোশিক্কা লম্বা তৌনরগনি। পনবা য়াবদি কোশিকপু মমাঙগী চহীগী ক্বার্টর ফাইনেলদা থাপ্পানা মায়থিবা পীরম্বনি।

কেজি ৬৯ গী কেটেগোরিদা মমাঙদা কম্মনৱেলথ গেমসকী গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রবা মনোজ কুমারনা ঙসি পঞ্জাবগী বোক্সর সুভহমবু সেমি ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।

মনোজ কুমারনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা বোক্সর অদু মধ্য প্রদেশকী বোক্সর মনিস উইকেবু মায়থিবা পীরম্বা সার্ভিসেসকী ধ্রুয্যধননি।

কেজি ৭৫ গী কাঙলুপ্তা কম্মনৱেলথ গেমসকী সিলভর মেডালিষ্ট রেলৱেজগী মন্দিপ জংগরানা দিল্লিগী পরাগ চৌহানবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।